# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-07-2025)**

**গভনর(এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা, ঙসি কামজোং জিলাদা পাঙথোক্কদবা 'শিংচা ৱু-য়া-ওন' ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াগনি।

নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা রাজ্যপালনা হৌজিক অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা উখ্রুলগী সংসকতা চৎকনি। তুংদা, রাজ্যপালনা সিংচাদা থুংলবা মতুং ' ৱু-য়া-ওন' ফ্লৱার ফেষ্টিবেল মফম ফাওবা খোঙনা চৎকনি। কামজোংদা লৈবা ৮ শুবা অসাম রাইফলসকী হেদক্বাটরদা ঙসি নুমিদাং লৈরবা মতুং হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা হম্ফালদা থুংলগনি।

**বিরেন(এল)ঃ** ইং ২০০৮ দা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা মোরেদা খুল মঙা মতম অদুগী কম্মিস্নার হিলসনা লান্না অয়াবা পীরম্লবা মতুং ২০১০ দা চান্দেলগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা চুমথোকবা মহুদকী কম্মিস্নারদা চে ইদুনা খঙহনখি। অদুবু, মতম অদুগা সরকারনা করিগুম্বা থবক অমত্তা লৌখৎলমদে হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-মহাক্কী সরকারগী মতমদা নিয়ম কায়না খুল তাশিল্লম্বগী মতাংদা চুমথোকবা কন্না হোৎনখি। এদভোকেট জেনরেলদগীদগাসু মোত কয়া লৌখি। অদুবু, অয়েৎপা কয়া লৈবনা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমখিদে। অদুবূ, রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম পীশিনদুনা চুমথোকবা হোৎনগনি হায়নসু শ্রী বিরেননা মখা তাখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোরক্তনবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক মখা তানা চখবা লেপত্রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কোইরেঙ্গৈ অৱাং পোৎশংবম লন্বীদগী এন.আর.এফ.এনগী এক্তিব কাডর অমা ফারে। মহাক লালহৌলুপ অসিগী শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীশকনি। ফারবা মীওই অসি খুৎশু খুৎলায় পুথোক পুশিন তৌবা অমদি তম্পাক্কী মফমশিংদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা মতেং পাংবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী থিংনুংগৈ মমাং পাৎতোনদগী প্রিপাক্কী এক্তিব কাদর অমা ফারে। মহাক বিষ্ণুপুর অমদি ইম্ফালগী মফম কয়াদা হাংলিবা স্কুল, ফারমাসি, সরকারগী ওফিসশিং অমসুং লন্নাই মীওইশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি।

মনিপুর পুলিসনা ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকাইদা হাংবা সনাগী দুকান অমদগী সনাগী খুদোপ হুরানবা নুপী অমা ফারে। মহাকা দুকান অদুদগী খুদোপ হুরানবগী ভিদিও সোসিএল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরকপদগী মীওই অদু ফাগৎখিবনি। মঙোন্দগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ৪০ সু ফংলে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই, খুরখুল লন্বীদা হেরোইন কিলোগ্রাম অমগা লোয়ননা মীওই অমা ফারে। মীওই অদু থৌবাল জিলাগী লিলোং হাউরৈবী তুরেল অহনবীদগীনি হায়রি।

মনিপুর পুলিসনা হায়-থৌবাল জিলাগী সোরা অমসুং খোংজোম এরিয়াদগী গাড়ি হুরানবনি হায়বা মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী রোয়ল ইনফিল কন্টিনেন্টেল জি.টি. অমা ফাগৎপা ঙমলে। ফারবা মীওই অদুদগী অশাবা ছো কয়াসু ফাগৎখি।

অমরোমদা, ত্রাফিক পুলিসনা চে-চাং শুদবা অমদি মোটোর ভেহিকলগী চৎন-কাংলোন থুগায়দুনা গাড়ি থৌরস্বা মীওই ৫৫ ফাগৎলে। মখোয়দগী ফাইন ওইনা লুপা লিশিং ৯৮,৫০০ গী চলান ককখি।

**ফাইনান্স (এল)ঃ** রাজ্য সরকার, পব্লিক সেক্তর অন্দরটেক্কিং, সেমি গভরমেন্ট

ওর্গনাইজেসনশিং অমদি লোকেল বোদিশিংদা কেজ্য়েল বেসিস, দেলিৱেজ, মাস্তর রোল, এদহোগ, কন্ত্রেক্ট, ৱাক চার্জ ইস্তব্লিষ্টমেন্ট, হোম গার্দ, ভি.দি.এফ. অমদি সরকারগী শেন্থং ফংদুনা চল্লাইরিবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা মথৌ তৌরিবশিংনা মখোয়গী অখন্নবা স্পেসিফিক আইদেন্টিফিকেসন নম্বর (এস.আই.এন) লৌননবা মনিপুর সরকারগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফাইনান্স) না চেরোল অমা থোকখ্রে।

হায়রিবা কর্ম্মচারিশিং অসিনা চহি অসিগী ওক্তোবর অমা ফাওবদা মখোয়গী এস.আই.এন. নম্বরশিং লৌথোক্কদবনি। নম্বর অসি লৌথোক্তবা কর্ম্মচারিশিংগী তলব শারোই হায়রি।

**চাইল্ড (এল)ঃ** চাইল্ড প্রোটেক্সন অমসুং মসিগা মরী লৈনবা আইনশিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা তেংনৌপল জিলাগী মচি ব্লোক্তা লৈবা খুনয়াই খুলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-তেংনৌপল অমসুং নুসমুকোস লিমিটেদ অনিনা খুৎশমরগা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা চাইল্ড ৱেলফিয়ার কমিতিগী রিছোর্স পার্সনশিং অমদি পুলিস দিপার্টমেন্টকী ওফিসিএলশিংনা চাইল্ড প্রোটেক্সন এন্দ লিগেল সেফ- গার্ডকী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বিহারগী মোতিহারিদা লুপা কোতি লিশিং ৭,২০০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী উরেপ উয়ুং তমগনি খরনা শঙ্গাগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা বিহারগী দরবঙ্গাদা নৌনা শাবা সোফৱয়ার টেকোলোজি পার্ক ওফ ইন্দিয়া (এস.টি.পি.আই) গী ফেসিলিতি অমা অমসুং পাটনাদা এস.টি.পি.আইনা ইনক্যুবেসন ফেসিলিতি অমা শঙ্গাগনি। লম্বী থোংগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা অমৃত ভারত রেলগাড়ি মরিসু লমথাগনি।

প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা গ্রামিনগী মখাদা নৌনা শাবা য়ুম লিশিং ১২ বিনিফিসরিশিংদা খুৎশিন্নগনি। অতোপ্পা বিনিফিসরি লিশিং ৪০ দনা লুপা কোতি ১৬০ মখোয় মখোয়গী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা হাপচিনগনি। প্রধান মন্ত্রিনা দিন দয়াল অনতোদয়া য়োজনা, নেসনেল রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী মখাদা লৈবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ লিশিং ৬১,৫০০ দা লুপা কোতি ৪০০ সু খুৎশিন্নগনি।

তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা নোংচুপ বেঙ্গোলগী দুর্গাপুরদা চৎতুনা লুপা কোতি লিশিং মঙা হেনবগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

**এরেষ্ট ঃ** হৌখিবা চহিগী নীংতম নুমিৎতা অসামগী গুৱাহাতিগী মফম কয়াদা আই.ই.দি. থমদুনা মীয়ামদা অকি-অখঙ পোকহনবগী থৌদোক্তা চেন্নবা অল্ফা (আই) গী মীওই অনি এন.আই.এনা ফারে। মসি থারগা হৌজিক ফাওবদা কেস অসিদা চেন্নবা মীওই অহুম ফারে।

গুৱাহাতিগী দিসপুর লাস গেটতা আই.ই.দি. থমজিল্লম্বগী কেস অসি দিসপুর পুলিসনা থিজিল্লম্বা অদু হৌখিবা চহিগী সেপ্তেম্বরদগী এন.আই.এদা শিন্নখিবনি। ফারবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা ভারত্তিয়া নিয়াই সনহিত্যা, য়ু.এ.পি.এ, দা এক্সপ্লোসিপ সবসটেন্সেস এক্টকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনগী মখাদা চার্জসিট থাংগৎখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হীরম অনিদা খেৎনবা ৱাখল্লোন লৈবদগী এম.ঐচ.এ. অমদি কুকি ‘সু’ গ্রুপকী মরক্তা ৱারী শান্নবগী থবক পন্দুনা লৈরে অমসুং বিরলা ইমপোরিয়মগী মথক্তা ই.দিনা ইনভেষ্টরশিংদগী য়াল্লবা শেনফম মৎখিবগী সপ্লিমেন্টরি চার্জসিট থাংগৎখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা নহারোল থৌদাংগী অহানবা অমসুং অনিশুবা

হেদলাইন তৌরি।

আই.দি.পিশিংগী ইশু নেসনেল হায়ৰেদা ফ্রি মুভমেন্ট অমদি ইকোনোমিক পেকেজ পীদুনা তকশিলহন্নিংই হায়বা তোঙান তোঙানবা লুচিংবশিংগী ৱাফমনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেলাইন তৌরি।

মনিপুর পুলিসকী সাইবর ক্রাইমনা শাশিন্নবা জি-পে এপ্লিকেসনশিং শিজিন্নদুনা নমথাক তৌরম্বা গেং খুৎপু অমা থুগায়খ্রে হায়বা পাউ অমসুং শেম্বদা ঙায়রিবা লম্বী থা তরুক ফাওবা চৎত্রে হায়না এম.এল.এ. থোকচোম লেকেশ্বরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

ইম্ফাল-জিরি ইন্দিগো ফ্লাইট টেকিকেলগী অশোয়বনা দিল্লিদা অমুক হল্লগা তাখি হায়বা পাউ অমা ফোটোগা কোন্ননা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা ফোংলি।

মনিপুর ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন লিংখৎখিবা চহি অহুম শুরক্লবা ফাওবদা মথৌ তৌদ্রে হায়দুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলকখ্রে অমসুং জেনিমস দেন্টেল কলেজগী ও.পি.জি. এক্সরে মেছিন য়াদবদগী পেসেন্টশিং অৱাবা মায়োকরে হায়বা পাউশিং অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

তাংখুল হুই নৎত্রগা হাউফা হায়না খঙনবা হুই মখল অসি অসাম রাইফলসনা, অসামগী জোরহাটতা লৈবা দোগ ত্রেন্নিং সেন্টরদা ত্রেন্নিং পীদ্না ফোর্স অসিদা হাপচিন্নবা থৌরাং তৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

আর্মি কম্মান্দরনা রাজ্যপালগা উন্নখ্রে, গাড়ি থৌবগী লাইসেন্স অমদি রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মওং মতৌদা অহোংবা লৈরগনি হায়বা পাউনা মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

জে.দি.য়ুনা গভনর উন্নরগা আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হনজিলহন্নবা, লোকেল বোদি মীখল পাঙথোকবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফম

পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নুঙবা বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ. দিংগাংলুং কামৈনা নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমসুং বি.এল.ওশিং উন্নদুনা খৌপুম তম্পাক্তা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাওগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অসিনা গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ত্রাইবেল য়ুথ কাউন্সিল মনিপুরনা ভিলেজ লেবেল ভোলুন্টরি সার্ভিস প্রোগ্রামগী মখাদা চিংগী মফমশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা থিজিল্লগনি হায়বা পাউ অসিনা তমেংলোং টাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

মাও পুলিস ষ্টেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট দ্রাইভরস য়ুনিয়ননা মাও কেদিমাগী লম্বী পরিং শেমজিন শাজিনবগী থবক পায়খৎখ্রে হায়বা পাউ অসিনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।